সনালৈবাক স্পোর্টস

TUESDAY, JULY 29, 2014 PAGE 7

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী নুপাগী মিটর ১০গী
রাইফল ইভেন্টতা মেদল লৌখ্রবা
শান্নরোইশিং

নুপাগী কেজি ৪৮গী কাংলুপকী ৱেঠলিফটিংদা
গোল্ড অমদি সিলভর ফংখিবী মণিপুর
শান্নরোই অনিগা লোয়ননা কোচ কুঞ্জরাণি

মনিপুরগী বোক্সর দেবেন্দ্রো মাইপাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চংখ্রে

গ্লাসগো, জুলাই ২৮ঃ

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা চথরিবা ২০শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ঙসি মঙানি চনবা নুমিত্তা শান্নখিবা বাউত্তা মণিপুরগী শান্নরোই দেবেন্দ্রো লাইশ্রমনা শ্রীলঙ্কাগী বোক্সর মাদুসন গামিবু পোন্টি ৩–০দা মাইথিবা পীবগা লোয়ননা মথংগী রাউন্দ চংখ্রে ।

অহানবা রাউন্দদা লৈবাক অনিমক্কী বোক্সর অনিমক্না পোইন্ট অমত্তা লৌবা ঙম্মদনা লৈনখি । অনিশুবা রাউন্দদা মণিপুরগী বোক্সর দেবেন্দ্রো লাইশ্রম পোইন্ট অমা ফংবা ঙমখি । মতম অসি ফাওবদা শ্রীলঙ্কাগী বোক্সরনা পোইন্ট অমফাওবা লৌবা ঙমখিদে।

অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা মণিপুরগী বোক্সর দেবেন্দ্রোনা পোইন্ট ২ লৌবগা লোয়ননা শ্রীলঙ্কাগী বোক্সর অদুবু পোইন্ট ৩–০দা মাইথিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চংখিবনি ।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী সুট্টর জিটু রাইনা নুপাগী মিটর ৫০গী পিস্টল ইভেন্টতা অনৌবা গেমস রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে । মহাক্না নুপাগী মিটর ৫০গী পিস্টল ইভেন্টতা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ অসি থমখিবনি ।

অদুমওইনমক ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অমা ওইনা মিটর ৫০ পিস্টল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা গুরপাল সিংহ তরুকশুবা পোজিসন তাদুনা মহাকসু ফাইনেলগী ক্বাইলিফাইদ ওইখ্রে ।

মশাগী চহি ২৭শুরবা রাই না পোইন্ট ৫৬২ ফংদুনা অনৌবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী রেকোর্দ অসি থম্বা ঙমখিবনি । মহাক্না ইংলেন্দগী সুট্টর খৃষ্টিনা কেলিঘানদগী পোইন্ট ১৫ হেনখি।

মশান্না অসিদা ত্রিনিদাদ অমদি তোবাগোগী সুট্টর রোজর দেনেলনা পোইন্ট ৫৪৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবগা লোয়ননা ফাইনেল রাউন্দ চংখিবনি ।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর গুরপাল সিংহনা পোইন্ট ৫৩৮ ফংবগা লোয়ননা ফাইনেল রাউন্দ চংবা শান্নরোই ওইখি ।

ইন্দিয়ানা মঙাশুবা নুমিত্তা সুট্টিংগী ইভেন্টতগী সিলভর অমগা ব্রোঞ্জ অমগা লৌখ্রবা মতুংদা ৱেঠলিফটরগী শান্নরোইশিংনা ঙসি মখা তানা গোল্ড সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌবা ঙমখ্রে ।

ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর অমা ওইরিবা সতিশ শিবলিঙ্গম্মা কেজি ৭৭কী নুপাগী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখি । মশাগী চহি ২২ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোই অসিনা পুন্না কেজি ৩২৮ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। কেজি কাংলুপ অসিদা ইং ২০১০ দেলি কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখিবা রাবি কাতুলুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি । রাবিনা কেজি ৩১৭ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংখিবনি । কেজি কাংলুপ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফ্রান্দকোইস তৌন্দিনা কেজি ৩১৪ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি ।

নুপীগী কেজি ৬৩গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পুনম য়াদবনা কেজি ২০২ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি । ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবী শান্নরোই অসিনা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়ানা মশান্না অসিদা হন্দক্কী ওইনা মেদল ৯ লৌবা ঙমখ্রে । মসিগী মনুংদা গোল্ড মেদল ৩ সিলভর মেদল ২ অমদি ব্রোঞ্জল ৪ নি । মসি মমাংদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা গেমস অদুদগী মেদল মশিং ১ হেনখি । ইন্দিয়াগী গেমস অদুদা ৱেঠলিফটিংদা ফংখিবা মেদল অসি ৮নি । মসিগী মনুংদা গোল্ড মেদল ২, সিলভর মেদল ২ অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ৪নি ।

ৱেঠলিফটিংগী স্নেচ হায়রিবা মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনিমক্না মখোয় মখোয়গী অহুমশুবা এটেম্পদা কেজি ১৪২ থাঙ্গৎখি । মসিগী মনুংদা সতিশনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনিগী মনুংদা য়াম্না লাইনা থাঙ্গৎপা অহানবা শান্নরোই ওইখি ।

অদুগা রবিনা অহানবা এটেম্পদা মাইথিখি অদুগা অনিশুবা এটেম্পদা মাইপাকখি । ইংলেন্দগী জেক ওলিভরনা অনিশুবা এটেম্প ফাওবদা কেজি মশিং অসি থাঙ্গৎপা ঙমখিদে ।

সতিশনা কেজি ১৪৯ এটেম্প তৌবগা লোয়ননা কম্মনৱেল্‌ঠকী গেমস রেকোর্দ থুগাইবা ঙমখিবা শান্নরোই অমা ওইখি । ক্লিন এন্দ জগতা সতিশনা কেজি ১৭৯ থাঙ্গৎতুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখি।

Commonwealth Games 2014 Medal Tally

Rank	Country	Gold	Silver	Bronze	Total
1	Australia	26	21	27	74
2	England	24	17	18	59
3	Scotland	11	8	11	30
4	India	7	10	7	24
5	Canada	7	3	8	18
6	New Zealand	6	5	10	21
7	South Africa	5	5	8	18
8	Wales	2	8	8	18
9	Nigeria	2	3	1	6
10	Kenya	2	3	0	5
11	Cyprus	2	1	2	5
12	Singapore	2	0	0	2
13	Malaysia	1	4	4	9
14	Cameroon	0	1	1	2
15	Bahamas	0	1	0	1
16	Bangladesh	0	1	0	1
17	Isle of Man	0	1	0	1
18	Jamaica	0	1	0	1
19	Pakistan	0	1	0	1
20	Papua New Guinea	0	1	0	1
21	Sri Lanka	0	1	0	1
22	Ghana	0	0	1	1
23	Mauritius	0	0	1	1
24	Namibia	0	0	0	0
25	Northern Ireland	0	0	1	1
26	Samoa	0	0	1	1
27	Uganda	0	0	1	1
28	Zambia	0	0	1	1

[illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]

17TH MANIPUR INTEGRITY DAY

4th August, 2014 (Monday)

8.30 a.m. : Floral Tribute to the Integrity Pillar, Near Pologround, Imphal
10.30 a.m. : Programme at MDU Hall, Yaiskul Police Lane, Imphal

LET US BUILD A UNITED STRENGTH AGAINST THE COMMUNAL IDEOLOGY

- Secular Ideology unites people.
- United Strength is our only weapon in our hand.
- Fighting Communalism is a step towards freedom.
- Let us Live Together, Struggle Together and Grow Together.

কাংলুপ নায়বা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়ামগী অপুনবা লীচিং শাগৎমীন্নসী

- কাংলুপ নায়দবা ৱাখল্লোন্না মীয়ামগী অপুনবা পুরকই ।
- অপুনবা পাঙ্গলনা মীয়ামগী অমত্তা ঙায়রবা খুৎলাইনি ।
- কাংলুপ নাইবা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়াম পুন্না লেপসি ।
- মীয়াম পুন্না হিংমিন্নসি, পুন্না থেংনমিন্নসি, পুন্না চাওখৎমিন্নসি ।

AMUCO AMUCO

কেমরোন মেকইভোরিনা মিটর ১০০গী ফ্রি স্টাইলদা গোল্ড লৌখ্রে

গ্লাসগো, জুলাই ২৮ঃ

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা চথরিবা ২০শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ঙসি পাংথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী ফ্রি স্টাইলদা সেমি ফাইনেল চংখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেমরোন মেকইভোরিনা ঙরাং পাংথোকখিবা মিটপর ১০০গী ফ্রি স্টাইলদা গোল্ড মেদল ফংখিবনি ।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অসিনা ঙসি নুংথিল পাংথোকখিবা মিটর ৫০গী সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা মহাক্না খ্বাইদগী য়াংবা ওইবগা লোয়ননা ২২.০৪ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌবা ঙমখি ।

মহাক্না ঙসি পাংথোকখিবা ক্বাটর ফাইনেলগী কম্পিতিসন অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী রাইভেল ওইরিবা জেমস মাগনুসসিনগা লম্বা তৌনগদৌরি । মফম অসিদা চথরিবা গেম অসিদা মহাক্না হৌজিক ফাওবদা মেদল ৪ লৌবা ঙমখ্রে ।

মহাক্না মিটর ২০০গী ফ্রি স্টাইলদা সিলভর মেদল অমসু লৌবা ঙমখি । ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমনা ৪X১০০ মিটর ফ্রি স্টাইল অমদি ৪X২০০ মিটর ফ্রি স্টাইল হায়বা মশান্না অনি অসিদা গোল্ড মেদল লৌবদা য়াওখিবা শান্নরোইনি ।

শান্নরোই অসিনা হয়েং নুমিদাংদা মিটর ৫০গী ফ্রি স্টাইলদা শরুক য়াগনি । মহাক হৌজিক রেঙ্ক ৭ শুরবদা লৈরিবা শান্নরোই অমনি । মহাক্কী লৈবাক্কী অফবা স্যুইমর অমা ওইরিবা জেমসকা মহাক্কা পুন্না মিটর ৫০গী ফাইনেলদা শরুক য়ামিন্নগনি হায়বসি খংবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই । মসিনা মহাক্কী ইরোই লোইবা ওইনা শরুক য়াবা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্ট অমসু ওইরি।

মহাক্কী কন্ত্রিমেট শান্নরোই অমা ওইরিবা জেমসনা লৈবাক অসিগী শান্নরোই অমা ওইরিবা মেত এবোদ অমদি ইংলেন্দগী বিন প্রাউন্দবু মিটর ১০০গী ফ্রি স্টাইলদা মাইথিবা পীরমখি ।

নাকল অমরোমদা নুপীগী মিটর ১০০গী ফ্রি স্টাইল ঙসি নুমিদাং পাংথোক্কনি মসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অমা ওইরিবী কেট কেম্বিল অমদি মহাক্কী মনাওনুপী ব্রোন্টে শরুক য়াগনি লোয়ননা ইংলেন্দগী শান্নরোই অমা ওইরিবা ফ্রান্দ হালসালসু মেদলগী লমজেলদা শরুক য়াগদৌরি ।

কেম্বিল অসি ঙরাং নুমিদাং পাংথোকখিবা সেমি ফাইনেলগী মেটচ অদুদা খ্বাইদগী য়াংবা স্যুইমর অমা ওইখিবনি অদুগা মহাক্না লম্বা তৌগদৌরিবা হালসাল অসিনা হন্দক্কী পাংথোক্লিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিদা মিটর ৫০গী ফ্রি স্টাইল অমদি বট্টর ফ্লাইদা গোল্ড লৌখ্রবা স্যুইমর অমনি । মসিনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল্ড লৌবা য়াবা মেটচ অমসু ওইরিবনি ।

সাউথ আফ্রিকাগী অদাম পিতি অমদি স্কোটলেন্দগী কেমরোন ভান দে ব্রুগ, রোজ মুর্দক হায়রিবা শান্নরোইশিং অসিনা নুপাগী মিটর ৫০ ব্রেস্ট্রোক্তা লমজেল তান্নগদৌরি ।

সাউথ আফ্রিকানা লোন বোলসদসু গোল্ড লৌখ্রে

গ্লাসগো, জুলাই ২৮ঃ

সাউথ আফ্রিকাগী শান্নরোইশিংনা হন্দক্কী গেমস অসিদা গোল্ড মেদল কয়া লৌদুনা লৈখ্রবসু নুপাগী লোন বোলস ত্রিপলস ফাইনেলদা নোর্দন আইরলেন্দবু ১৯–১০দা মাইথিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে ।

সাউথ আফ্রিকা টিমনা লোন বোলিংগী ওইনা গোল্ড ৩ লৈবগী মনুংদা ২ লৌবা ঙমখ্রবনি । নুপীগী ওইনা ঙরাং পাংথোকখিবদা সাউথ আফ্রিকানা মাইপাকপা ঙমখি । অদুমওইনমক সিঙ্গলসকী ইভেন্টতা নিউজিলেন্দগী জো ইদৱার্সনা গোল্ড লৌখি ।

অমরোমদা জমাইকাগী ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী সুপর স্টার উসেন বোল্টনা গেম অসি য়াওদবা অসিদা নিকেল অসমেদি, কেমার বেলি কোল অমদি জাসোন লিভরমোরনা হন্দক্কী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলদা টাইটল লৌবা ঙমখি ।

মখোয়না ট্রেক এন্দ ফিল্ডদা মেদল লৌবা ঙমখিবসিগী অতোপ্পা মরম অমনা মেদল লৌবা য়াবা দিনেল বেলি, রিচার্দ থোমসন অমদি কেস্তোন ব্রেদমেন হায়বা ত্রিনিদাদ অমদি তোবাগোগী শান্নরোইশিং লোয়ননা ইংলেন্দগী অদাম জিমিলি নাইজেরিয়াগী মার্ক জেল্কনচিংবা শান্নরোইশিংসি দোপিংগা মরি লৈননা চহি ২গী অথিংবা থমখিবদগীনি ।

নুপীগী ইভেন্টশিংদা নাইজেরিয়াগী ব্লেসিং ওকাবেরিনা লোংজমদা সিলভর অদুগা মিটর ২০০গী লমজেলদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবদু ইং ২০১৩গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তুনি । মহাক্না ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা অনৌবা রেকোর্দ সেট তৌবা ঙমখি ।

কেট কেম্বিলনা ফ্রান হালসালগা থেংগদৌরি

গ্লাসগো, জুলাই ২৮ঃ

৬ নি চম্বা নুমিৎকী নুপীগী মিটর ৫০গী ফ্রি স্টাইলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেদল লৌখ্রবা শান্নরোই কেট কেম্বিলগা ইংলেন্দগী ফ্রান হালসালগা গোল্ড মেদলগী মেটচতা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

কেট স্যুইমিং মশান্নদা মিটর ১০০ অমসুং ২০০গী ফ্রি স্টাইলদা গোল্ড মেদল লৌখ্রবী শান্নরোই অমনি ।

মসিতসু নত্তনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা পাংথোকখিবা হিত অমদি সেমি ফাইনেলদা শান্নরোই অসিনা খ্বাইদগী য়াংবী স্যুইমর অমা ওইখি ।

মহাক্না লম্বা তৌগদৌরিবী ইংলেন্দগী স্যুইমর ফ্রান হালসাল অসিনা হন্দক্কী গেমস অসিদা মিটর ৫০গী ওইবা স্যুইমিংগী মশান্না অনি হায়বদি ফ্রি স্টাইল অমদি বট্টর ফ্লাইদা গোল্ড মেদল অনি লৌখ্রবী শান্নরোই অমা ওইরি ।

শান্নরোই অসিনা ফোংদোকখিবদা হয়েং নুমিদাং পাংথোক্কদৌরিবা মিটর ৫০গী মশান্না অসিদা মহাক্কী ওইনা অহুমশুবা গোল্ড লৌনবা ইভেন্ট অমা ওইগনি হায়না ফোংদোকখি ।